**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-10-2025)**

**চাক্কৌবা (এল)ঃ** য়ুমাক শাগৈ ওনখ্রবা নিংঙোলশিংগা মবুং মৌপৱাশিংগা নুংশিনবগী অচেৎপা মরী উৎপা হিয়াঙ্গৈগী নিনি পানবা নিংঙোল চাক্কৌবা ঙসি পাঙথোকখ্রে। মণিপুরগী মপানদা খুন্দারিবা মীতৈ ফুরুপকী মীওই কয়ানসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখি।

নিংঙোলশিংনা ঙমজবা হৈ-রা, মনা-মশিং পুদুনা মপাম লমদমদা লাক্লবা মতুংদা মমা-মপা মবুং-মৌপৱাশিংগা নুংশি চান্ননা চামি থকমিন্নবা অমদি ঙমজবা খুদোলপোৎ তম্বনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। অয়ুক অঙনবদগী হৌনা নিংঙোল ওইবীশিংনা মপাম লমদমদা নিংঙোল চাক্কৌবা চৎনবা হৌখি।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিন্দুনা লমদমসিদা খুন্দারিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোকখি। মসিনা খুন্দমিন্নরিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না চেৎশিলহন্নবা পান্দমদা লুপশিং অসিনা হৌখিবা চহি কয়াগী মমাংদগী অসিগুম্বা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপনি।

ওল মনিপুর ইথনিকেল সোসিও কলেচরেল ওগর্নাইজেসন (এমেস্কো) না শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ককৱা লমদাইবুংদা পাঙথোকপা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী নিংঙোলশিংনা শরুক য়াখি।

জিরিবাম জিলাদসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি। থৌরম অসি জাতি কাংলুপ কয়ানা শরুক য়াদুনা জিরি দেভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিমপাল) গী হোলদা পাঙথোকখি । থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবগী নুংগী

ওইবা ৱাহন্থোক অমদি মসিগী মরুওইবশিং ফোঙদোকখি। নিংঙোল ওইবী ময়ামগা চাক্লেন অমা চামিন্নরবা তুংদা ওর্গনাইজেসনগী মাইকৈদগী নিংঙোলশিংদা খুদোলপোৎশিং তমখি।

থৌবাল জিলাদসু ঙসি নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম থৌবাল লৈশাংথেম অৱাং লৈকাই য়ুথ সেন্তরনা শিন্দুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপী অমসুং লমদিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রিলিফ কেম্পতা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম অমা লৈশাংথেম কেলিমখোং কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখি।

ইপোম এম.পি.সি.এম. য়েমকল, অনৌবা শেনমীলোন, পালেম, ডব্লিয়ু.এম.ও. অমসুং উপাকোনা শিনদুনা সঙাইপ্রৌদা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা খুন্দারিবা অমসুং লৈরিবা মনিপুরিশিংনা নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্হৈ পাঙথোকখি। মসিগী মথক্তা ভারতকী মপান লৈবাকশিংদা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংনসু থৌরম অসি হরাউ তয়ামা পাঙথোকখি।

**ত্রাফিক (এল)ঃ** মনিপুরদা দিৱালি অমদি নিংঙোল চাক্কৌবা কুম্হৈ পাঙথোকপা অসিনা মরম ওইরগা মী চিনবগী চাং কা হেন্না ৱাংখি। মরুওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা কৈথেলশিংদা কা হেন্না মী চিনখি।

কুম্হৈশিং অসিগী পোৎ-চৈ লৈবা লাকপা মীওইশিং কৈথেলদা চিক চাইনবা ঙমদনা তিনখি। ঙসি পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমগা মরী লৈননা নিংঙোলশিং থিনদোক থিজিন তৌবনা রাজ্য অসিগী অয়াম্বা লম্বীশিং কা হেন্না চিনখি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং, মরুওইনা চিংগা তায়নবা অমদি ইরাং থোক্কনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা থিবা

হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। লোয়ননা নেসনেল হায়ৱেশিংদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়িশিং চংল্লকপা মতমদসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা চেকশিননা ঙাক শেনবগী থবক চত্থরি।

ঙরাং নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২৭৪ তেক্ত কায়দনা ইম্ফাল তমা চংল্লকখ্রে। মখা তানা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা নেসনেল হায়ৱে পরিংদা অকনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎলি। মসিদসু নত্তনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হাংবা চ্যেক পোইন্ট ১১৪ দসু অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

**দেঙ্গি (এল)**ঃ রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লায়চৎ পাক শন্না শন্দোরকপা লেপত্রি।

মনিপুরগী ওইনা লৈরিবা সরকারগী মরুওইবা হোস্পিতাল অনি-রিমস অমদি জেনিমসতা দেঙ্গি লায়না লায়েংবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

রিমস হোস্পিতালদা ঙরাং মীওই ৮৩ টেষ্ট তৌবদা মীওই ২২ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। অদুগা, লন্নাই হোস্পিতালশিংদা মীওই অহুম টেষ্ট তৌবদা অহুম্মক পোজিটিব ওইবা থেংনখি।

জেনিমস হোস্পিতালদা ঙরাং মীওই ৯৭ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫২ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। হোস্পিতাল অসিদা দেঙ্গি নাবা মীওইশিংগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা তোঙানবা ৱার্ড অমা হাংদোক্তুনা থমলে।

**রাজবারি (এল)**ঃ শিল্লোংগী মনিপুর রাজবারি শিদোকখিবগী মতাংদা ঙরাং মহুদ অমদি আই.পি.আরগী দাইরেক্তর-ঙাঙোম উতম সিংহনা লুচিংদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

দি.আই.পি.আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ঐতিহাসিক ওইরবা রেডলেন্দ বিল্ডিং হায়নসু খঙনবা শিদোকখ্রবা শিল্লোংগী মনিপুর রাজবারি অমুক হন্না শেমজিন্নবগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা থা অসিগী ১৩ দা মোনিটরিং এন্দ

সুপর ভিজন কমিতি অমা শেমখি। হায়রিবা কমিতি অসিনা রাজবারি অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক য়েংশিনবতা নত্তনা থবক থৌরম খুদিংমক্কী দায়ত্ব লৌগনি। তোঙান তোঙানবা অখণ্ড অহৈশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং ফোংদোকখি।

মীওইশিং অদুগী মনুংদা রিটয়ার্দ প্রোফেসার-ডল্লিয়ু. নবকুমার, মুতুৱা ম্যুজিয়মগী দাইরেক্তর-মুতুৱা বহাদুর, এদিটরস গীল্ড মনিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল-ৱাই. রুপচন্দ্র, আই.এন.টি.এ.সি.ঐচ.টিগী কনভেন্নর-হোমেন থাংজম, ওল মনিপুর ৱার্কিং জনেলিষ্টকী প্রসিদেন্ট-অশেম ভক্তা সিংহ, শক াইরবা আর্টিষ্ট-থোইদিংজম তোম্বী সিংহ, ইন্সটিট্যুট ওফ ইঞ্জিনিয়ারস ইন্দিয়া মনিপুর সেন্টরগী এস. তম্ফা সিংহ অমদি কংলা বোর্ডকী মেম্বর-প্রোফেসার-এন. জয়কুমার সিংহ শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা অখণ্ড অহৈশিংনা পুথোরকপা ৱাখল্লোনগী মতুং ইন্না ৱারেপ অহুম লৌখি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপ চে লৌথোকপগী মতম ঙসি লোইখ্রে। অনিসুবা তাঙ্কক্তা পুন্না জিলা ২০ গী বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা মথং থাগী ১১ দা ভোট থাদনগনি।

তাঙ্কক অসিদা মধুবানি, ইষ্ট চম্পারন, সিতামারি, অরারিয়া, কিসনগঞ্জ, পুরনিয়া অমসুং কতিহার য়াওরি। ইরাং থোকনবা জিলাশিংদা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং শান্তি ওইনা পাঙথোকবা সেক্যুরিতিগী অখন্নবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে।

মরক অসিদা, কাইমুর জিলাগী মোহানাই (রিজার্ব) বিধান সভা কেন্দ্রদা রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী মীরেপ স্বেতা সুমনগী মীরেপচে য়াখিদ্রে। মহাক্কী সেদ্যুল কাষ্টকী সার্তিফিকেট অদু ইনভেলিদ ওইবদগী মীরেপ ওইবা য়াখিদবনি।

বালমিকি নাগর বিধান সভা কেন্দ্রদা মীরেপচে পীশিল্লকখিবা দ্রিগ নরায়ন

প্রসাদকী মীরেপচেসু য়াখিদ্রে। মীরেপ পিশিল্লকপা মতম ফাওবদা মহাকা সরকারগী স্কুলদা ওজা ওইবা তোকউ য়াদবদগী মহাক্কী মীরেপচে অদু ইলেক্সন কম্মিসন্না লৌখিদবনি।

**ইসি ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন্না কম্মিসনগী দিরেক্তিভ ইন্দবগীদমক নোংচুপ বেঙ্গলদা বুথ লেবেল ওফিসার লিশিং অমা হেনবগী মথক্তা সো কোজ নোটিশ থাখ্রে। কম্মিসনগী পাউনা হায়- বি.এল.ও খনবগী থবক অসি চহি অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌখিবনি। অদুবু ওক্তোবর ১৭ ফাওবদা বি.এল.ও লিশিং অমা হেন্না মশাগী মথৌ তৌরক্তবদগী সো কোজ নোটিশ থাখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কম্মিসন্না লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন পাঙথোকবা চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংগা মীফম পাঙথোক্লি। ঙরাংদগী হৌখিবা মীফম অসিদা নোংচুপ বেঙ্গলগী বি.এল.ওশিংগী মতাংদসু খন্নগনি হায়রি।

**সিন্ধুরঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুরনা ভারতকী তৌবা ঙম্বা অমদি শক্তি অদু উৎথোক্লে। মসিনা ভারত অসি মতম পুমমক্তা হীরম খুদিংমক থেংননবা শেম শাদুনা লৈ হায়বসি মালেমদা উৎথোক্লে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা নেভেল কম্মান্দরস কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-ওপরেসন সিন্ধুরনা মালেমগী মীয়ামদা ভারতকী থৌনা লিংজেল উৎখ্রে। ওপরেসন অসিদা ভারত নেভিনা লৌখিবা থৌদাং অমদি থৌনা অদু মালেম পুম্বনা খঙলে।

মহাকা হায়-ইন্দিয়ান ওসিন রিজন অসি হৌজিক থোক্লিবা জিও পোলিটিক্স অসিগী মরুওইবা অমা ওইরক্লে। মসিদা ভারত নেভিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। হৌখিবা থা তরুক অসিদা জহাজ, সব-মেরিন অমদি নেবেল ইয়ারক্রাফটশিং হায়রিবা মফম অসিদা শিজিন্নরি। মসিদসু নত্তনা ভারত নেভিজনা হায়রিবা মফম

অসিদা মরচেন্ত ভেসেল ৩৩৫ সু শিজিন্নরি।

**রাষ্ট্রপতি ঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি কেরলাগী রাজ ভবনদা হান্নগী রাষ্ট্রপতি কে.আর. নরায়াননগী মীতম অমা মায়খুম হাংদোকখ্রে। রাষ্ট্রপতি নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা হৌজিক কেরলাদা লৈরি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- রাষ্ট্রপতিনা তিরুভনন্থপুরমদা পাঙথোকপা শ্রী নরায়ন্না গুরু সমাধিগী ১০০ শুবা কুমওনদা শরুক য়াখি। তুংদা পালাদা লৈবা সেন্ট থোমাস কলেজগী প্লেতিনম জ্‌বিলি থৌরমদসু শরুক য়াখি।

**রেল ঃ** ইন্দিয়ান রেলৱেজনা ছৎ ফেষ্টিভেলগী য়েংদুনা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙা অসিদা স্পেসিয়েল ত্রেন লিশিং ১,৫০০ চেলহল্লগনি। মসি নোংমদা ত্রেন ৩০০ চেলহনবগী পান্দমদনি। ত্রেনশিং অসি হান্না চেল্লিবা ত্রেনশিংগী মথক্তা অহেনবা ওইনা হাপচিনবনি। রেল মন্ত্রালয়না হায়- লাক্কদৌরিবা ছৎ পুজা অমসুং তোঙান তোঙানবা হরাউ কুম্মৈশিংগী য়েংলগা থা অসিগী ১ দগী ৩০ ফাওবদা লৈবাক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা স্পেসিয়েল ত্রেন লিশিং ১২ রোম চেলহল্লি।

**হ্যুমেন রাইটস ঃ** পাউমীশিংদা খুৎ থায় হায়বগী অকুপ্পা মরোল চয়োল অনিগী মনুংদা পীখৎলকবা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মণিপুর, কেরলা অমসুং ত্রিপুরাগী চীফ সেক্রেতরিশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

হায়রিবা রাজ্য অহুম অসিদা পাউমীশিংদা খুৎ থাবদগী পাউমীশিং অদু হোস্পিতালদা লায়েং চংখিবনি। পুলিসনা কেসশিং লৌখৎতুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংথরিবনি। পাউমীশিংনা থারকপা সু মোতু কেস অমগা মরী লৈননা রাজ্যশিং অসিগী দি.জি.পিশিংদা কেসশিং অদুগা মরী লৈননা থিজিন হুমজিনবগী থবক চংথরিবা অদু কয়া য়ামা খুমাং চাওশিল্লবগে হায়বদুসু খঙহল্লক

বা খঙহনখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি তুংদা অমুক থোকহন্দনবা অকনবা থবক লৌখৎনবা কন্মিসন অসিনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি।

**মিট ঃ** ২৭ শুবা টি.কে.এল.আই. স্পোর্টস মিট কম লিটরেরি ফেষ্টিবেল-২০২৫, ঙসি অনিশুবা মনিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

তাংখুল কতমনাউলোং ইম্ফালনা শিনদুনা হৌদোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ শরুক য়াখি।

**রেসলিং ঃ** সরবিয়াগী নোবিসেদতা পাঙথোকখিবা চহি ২৩ মখাগী রেসলিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী রেস্লর-ভিসভাজিৎনা শেঞ্জেংগী তকমান লৌরে।

কিলোগ্রাম ৫৫ গী কেটেগোরিদা কাজগস্থানগী য়েরাশিলবু পোইন্ট ৫-৪ দা মায়থিবা পীখিবনি। থা অসিগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতকী রেস্লর ২৯ য়াওনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা রেস্লর ৭০০ না শরুক য়ারি।

**হোকি ঃ** ৪২ শুবা ইন্দিয়ান ওইল সরভো সুরজিৎ হোকি টুর্নামেন্ট ঙসিদগী পঞ্জাবকী ঝলন্ধরদা লৈবা ওলিম্পিয়ন সুরজিৎ হোকি ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে।

নুমিৎ তরানি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১২ না শরুক য়ারি। ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা আর্মি এলভেন দিল্লি অমদি সি.আর.পি.এফ. দিল্লি, পঞ্জাব এন্দ সিন্দ বেঙ্ক অমদি পঞ্জাব পুলিস শান্নগনি।